## ইরান্না পাকিস্টানগী এম্বেসেদর কৌখৎখ্রে

অঙ্কারা, টেহরান, এপ্রিল ২৮ : সুনি মিলিটেন্টশিংনা য়ুল্লোন্নবা পাকিস্টানদগী এটেক চথুদুনা ইরানিয়ন বোর্দর গার্দ ১০ হাৎখিবগী মতাংদা ইরানগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা টেহরানদা লৈবা পাকিস্টানগী এম্বেসেদর কৌখৎতুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ইরানগী ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি ইর্নানা ইরাই নুমিৎতা হায়রি।

জাইশ অল-অফল নৎত্রগা আর্মি ওফ জষ্টিস কৌবা সুনি মুস্লিম মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা ইরানগী সিষ্টান-বলুচিষ্টান প্রোভিন্সতা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা চথুখিবা এটেক অদু মখোয়গী খুৎনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

ইরাননা পাকিস্টানবু ঐখোয়গী বোর্দর গার্দ ১০ হাৎপদা চেন্নবা টেররিষ্টশিং অদুবু ফাননবা অমসুং চৈরাক পীনব লৌখৎফম থোকপা তঙাই ফদবা খোঙথাং পুম্বা লৌখৎহনবা পামই হায়না ইর্নানা ফোরন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন বহরাম কাসেমিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

বোর্দর লাল্লগা লৈবা পাকিস্টানগী বালোচিষ্টানগুম্না অয়াম্বনা সুনি মুস্লিম বেলোচ কাঙলুপকী মীশিংনা খুন্দাবা ইরানগী সাউথইষ্টর্ন সিষ্টান-বলোচিষ্টান প্রোভিন্স অসি স্মগ্লরশিংগী মরু ওইবা ট্রাঞ্জিট লম্বী অমদা লৈরিবনি।

# ইজরেলনা মিলিটরি ষ্ট্রাইক চথুদুনা দমাস্কসতা লৈবা খুৎলায় পৈফম মাঙহন-তাকহনখ্রে

বৈরুট, এপ্রিল ২৮ :

ইজরেলনা দমাস্কস ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী খা-নোংচুপ্তা লৈবা মিলিটরি ইন্সটোলেসন অমদা ষ্ট্রাইক তৌরক্লে হায়না সিরিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে। শগোলশেল নুমিৎকী নোংঙাল্লমদাইদা চথরকখিবা ষ্ট্রাইকশিং অদুদা পোকখায়বা কয়া পরিং ওইনা থোকখিবগা লোয়ননা য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা টেন্সন মখা তানা হেনগৎখ্রে হায়রি।

লেবাননগী হেজবোলা গ্রুপ্তা খুৎশু-খুৎলায় পীশিনবগী থবক থিংনবা হোৎনবগী মওংদা ইজরেলনা হন্দকচয়োল খরসিদা সিরিয়া মনুংদা মিলিটরি ষ্ট্রাইকশিং তৌয়না চথুখিবগা লোয়ননা লালনা অৱাবা নংহল্লবা লৈবাক অসি ইজরেলনা ইরানগা অচৌবা লাল অমা শোক্লবগী প্রোক্সি থিয়েটর অমা ওইহনখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা ইজরেলনা চথরকখিবা ষ্ট্রাইকশিংনা দমাস্কস এয়রপোর্ট মনাক্তা লৈবা লেবানিজ হেজবোলানা ওপরেট তৌবা খুৎলায়গী দিপো অমদা হিট তৌখ্রে হায়না সিরিয়াগী ওপোজিসনগী ছোর্সশিংনা ন্যুজ চেন্নেল অমদা



ফোঙদোকখ্রে।

ন্যুজ চেন্নেল অদুনা ৱিটনেসশিংগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, শগোলশেলগী অঙনবদা কেপিটেল দমাস্কসতগী কিলোমিটর ২৫ রোম লাপ্পা দমাস্কস এয়রপোর্ট রোডকী মনাক্তা পুন্না ষ্ট্রাইক মঙা চথরকখি।

ইজরেলগী এটেকশিং হেনগৎ-লকপগী ফীভম অসিনা কনফ্লিক্ট অদুদা তোঙানবা মশক অমা পুশিল্লক্তুনা ইজরেল, সিরিয়া অমসুং ইরান্না শৌগৎপা সিরিয়াদা ফাইটর লিশিং কয়া লৈরিবা প্রসিদেন্টবাশর অল-অশাদ গর্ভর্মেন্টকী অচেৎপা মীচং অমা ওইরিবা হেজবোলাগী মরক্তা তোপ তোপ্পা লাল অমা শোক্লরকপগী ফীভম লাক্লে হায়রি।

ইজরেলগী মিলিটরিনা শগোলশেল নুমিৎতা তুংদা ফোঙদোকখিবদা মখোয়গী পেট্রিয়ট মিসাইল দিফেন্স সিষ্টেমনা গোলান হাইটসকী মথক্তা সিরিয়ারোমদগী লাকপা প্রোজেক্টাইল অমা ইন্টরসেপ্ট তৌখি হায়খি।

ইজরেলগী দিফেন্স ওফিসল অমনা হায়খি, পেট্রিয়টনা দ্রোন অমা হিট তৌখি অমসুং মিলিটরিনা মদু শোয়বদগী ইজরেলগী মায়কৈদা চঙলকখিবা রসিয়ন এয়রক্রাফট অমরা নৎত্রগা সিরিয়ন এয়রক্রাফটলা হায়বদু খঙদোক্লবা চেক তৌরি।

অদুম ওইনমক সিরিয়ন গভর্ণমেন্ট অমসুং হেজবোলাহ অনীমক সিরিয়াগী চহী ৬ শুরক্লবা সিভিল ৱারদা চেন্নরিবনা হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা ইজরেলগা খুৎ থোক্লবগী ফীভম লাকহন্দনবগীদমক্তা খুৎ হনবগী থৌওং অমত্তা চথরক্লোই হায়না এনালিষ্ট খরনা ফোঙদোক্লরি।

ইজরেলগী ইন্টলিজেন্স মিনিষ্টর য়িজরাইল কাটজনা থৌদোক অদুগী মতাংদা হকথেংননা কম্মেন্ট পীখিদে তৌইগুম্বসুং ইজরেলনা পাঙথোকপা মিলিটরি ষ্ট্রাইক খুদিংমক খুৎলায় ট্রান্সফর তৌবা থিংনবগী পোলিসীগা চান্নগনি হায়খি।

সিরিয়াগী ষ্টেটনা রন তৌবা সানা ন্যুজ এজেন্সিনা মিলিটরি ষ্ট্রাইকশিংদুগী মতাংদা হায়খি মদুদি, ইজরেলনা দমাস্কসকী খারোমদা লৈবা ওক্যুপাইদ গোলান হাইটসতগী কাপশিল্লকখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিংনা মিলিটরি অমসুং সিভিল্যান ফ্লাইট অনীমক সার্ভ তৌরিবা এয়রপোর্টকী খা-নোংচুপ্তা লৈবা মিলিটরি ইন্সটোলেসন অমদা শোকহনখি।

## চাইনা অমসুং পাকিস্টান্না পুন্না শামিন্নবা ফাইটর জেটকী ভর্সন অমা অহানবা ওইনা পাইখ্রে

বৈজিং, এপ্রিল ২৮ : চাইনানা শগোলশেল নুমিৎতা ফাইটর জেট অমগী অপগ্রেদ তৌবা ভর্সন অমা লোঞ্চ তৌখ্রে। পাকিস্টানগা পুন্না শামিন্নবা ফাইটর জেট অদু পিছকী মতমদা ট্রেনিংদা অমসুং লালগী মতমদনা কোম্বাট মিসনশিংদা শিজিন্নবা য়াগনি। সিট অনী য়াওবা ফাইটর ট্রেনর জে এফ-১৭ বি অসি মিলিটরি এয়রক্রাফট জে এফ-১৭ কী অপগ্রেদ তৌবা ভর্সন অমনি হায়রি।

এভিয়েসন ইন্দষ্ট্রি কোর্পোরেসন ওফ চাইনানা দিভলপ তৌখিবা জে এফ-১৭ বিনা মালেমগী কাষ্টমরশিং অমসুং মালেমগী কৈথেলনা পাল্লিবা খুদিংমক থুংহনবা ঙম্লগনি হায়না এ ভি আই সিনা ফোঙদোক্লি।

চাইনা অমসুং পাকিস্টাননা লাইটর ৱেইট অমসুং মল্টি-রোল কোম্বাট এয়রক্রাফট অমা ওইরিবা জে এফ-১৭ থন্দর অসি পুন্না শামিন্নৈ। এ ভি আই সিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, প্লেন অদু পিছকী মতমদা ট্রেনিং তৌবদা শিজিন্নবা য়াই অমসুং লালগী মতমদনা কোম্বাট মিসনশিংদসু শিজিন্নবা য়াই।

অহানবা ওইনা পাইবদুদা জে এফ-১৭ বি অদু মথক্তা পাইখৎখি অমসুং মিনিট ২৬ অতিয়াদা লৈখি। মদু লৈবাক অসিগী মপানগী গেষ্টশিংনা য়েংখি হায়না ষ্টেটনা রন তৌবা সিনহুৱা



ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

অহানবা ফ্লাইট অসিনা জে এফ-১৭ এয়রক্রাফট সেরিজগী দিভলপমেন্টতা মরু ওইবা তাঙ্কক অমা য়ৌরে হায়বা উৎলি হায়না এ ভি আই সিনা হায়খি।

জে এফ-১৭ বিগী চীফ দিজাইনর য়াং ৱৈনা হায়খি, এয়রক্রাফট অসিনা জে এফ-১৭ কী ফেমিলিদা অনৌবা ফোর্স অমা পুরক্লে অমসুং মসিনা গ্লোবল মার্কেটতা জে এফ-১৭ সেরিজগী কম্পিটিটিভমেস হেনগৎহল্লগনি। এফ-১৭ বি এয়রক্রাফট অসি দিভলপমেন্ট ষ্টেজদা মপানদগী ওর্দর কয়া ফংখি হায়না এ ভি আই সিগী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

## ট্রম্পনা ক্লাইমেট পেক্টতা অমেরিকাগী ফজবা দিল অমা পাল্লি

ৱাশিংটন, এপ্রিল ২৮: পেরিস ক্লাইমেট এগ্রীমেন্টতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু ফজদবা মওংদা ট্রিট তৌরে হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা শগোলশেল নুমিৎতা কমপ্লেন তৌখ্রে অমসুং ৱাশিংটননা একোর্দ অসিদা মখা তানা লৈখিগদ্রা হায়বগী মতাংদা চয়োল অনীরোমগী মনুংদা ৱারেপ অমা লাউথোক্লগনি হায়না মহাক্না রোইটর্জদা ফোঙদোকখ্রে। নবেম্বরগী মীখলদা মায় পাকখিবা রিপব্লিকান ট্রম্পনা মহাক্কী কেম্প্যেন মনুংদা প্রসিদেন্ট ওইবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পেরিস একোর্দতগী ৱিঠদ্রো তৌগনি হায়না চেৎনা ফোঙদোকখিবনি। মরু ওইনা মহাক্না ৱাফম অসি ওবামা এদমিনিষ্ট্রেসনগী ইনভাইরনমেন্টেল প্রোটেক্সনশিং লোইশিন্নবা পাখৎকদবা থৌরাং অমগী মনুং চন্না ফোঙদোকখিবনি।

## য়ু এসনা এন এ এফ টি এ থাদোকপগী ৱাফমদা মেক্সিকোনা দিপ্লোমেসিগী পাম্বৈ থিখ্রে

মেক্সিকো সিটি, এপ্রিল ২৮ :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোর্থ অমেরিকান ফ্রী ট্রেদ এগ্রীমেন্টতগী ৱিঠদ্রো তৌনবা দ্রাফট ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অমা ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না খন্নরি হায়বসি মালেমগী অতে লৈবাকশিংগুম্না মেক্সিকোনসু মিদিয়া রিপোর্টশিংগী খুত্থাংদা খঙলকখি হায়রি।

মেক্সিকোগী টোপ দিপ্লোমেটনা শগোলশেল নুমিৎত হায়খি মদুদি, প্রসিদেন্ট এনরিক পেনা নৈটোগী গভর্ণমেন্টনা দিপ্লোমেটিক্কী অথুবা খোঙথাংশিং লৌখৎখি। দিপ্লোমেটিক খোঙথাং অদুগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা পেনা নৈটোদা ফোন তৌরকখিবগা লোয়ননা য়ু এসনা হৌজিক্কী ওইনা এন এ এফ টি এ থাদোক্কদবা লৈতে অমসুং এগ্রীমেন্ট অদুগী মতাংদা নৌনা নিগোসিয়েট তৌননবা লৈবাক অহুম্মক্না য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্কনি হায়বগী থাজবা পীরকখি।

'মেক্সিকো অমসুং য়ু এসকী মরক্তা হৌজিকসু য়ানদবা পোইন্টশিং লৈরি তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না অচুম্বা মায়কৈদা চঙশিল্লি' হায়না ফোরন রিলেসন্স সেক্রেটরি লুই ভিদেগরেনা হায়খি।

ট্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নিংবা থুংগদবা দিল অমা লাক্তবা তারবদি মহাক হৌজিক এন এ এফ টি এদগী তোক্লবা শেম শাদুনা লৈ হায়খিবগুম মেক্সিকোসু নিগোসিয়েসনদা লৈবাক অসিগী অপাম্বা ফীভম তারক্তবদি মখা শাংথনা লৈবা তৌরোই হায়না দিপ্লোমেট অদুনা হায়খি।

দ্রাফট ওর্দর অদু উরবা মতুংদা মেক্সিকান ওফিসলশিংনা য়াম্না থুনা য়ু এস গভর্ণমেন্টকী তোঙান তোঙানবা ইন্টরলোক্যুটরশিংগা ৱারী শানখি। মদুদা মখোয়না মেক্সিকান ওফিসলশিংদা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌদ্রি অমসুং দ্রাফট অদু খন্নরিবনি হায়রকখি হায়রি।

## নোর্থ ইষ্ট নাইজিরিয়াদা বোকো হারামগী সুইসাইদ বোম্মরনা ক্রুপ ৫ হাৎখ্রে

অবুজা, এপ্রিল ২৮ : নোর্থ ইষ্ট নাইজিরিয়াদা বোকো হারামগী জিহাদিষ্ট অমনা এক্সপ্লোসিভ মরাং কায়না য়াওবা পিক-অপ ট্রক অমা মিলিটরি কনভোই অমদা থোমজিন্দুনা এটেক তৌবদা লাম্মী মঙাদগী তাদনা শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪০ না অশোক-অপন নংখ্রে।

কনভোই অদু য়োবে অমসুং বোর্নো ষ্টেটশিংগী মরক্তা ক্লিয়ারেন্স ওপরেসনশিং পাঙথোক্লম্বনি হায়না মিলিটরি ওফিসরশিংনা ফোঙদোকখি।

মঙ্গুজুম ভিলেজদা মিলিটরি কনভোই অমদা চথুখিবা এটেক অদুদা ঐখোয়গী লাম্মী মঙা শিখ্রে অমসুং অতৈ ৪০ না মখল-মখা কয়াগী অশোক-অপনশিং নংখ্রে হায়না মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা ওফিসর অমনা হায়খি।

'কনভোই অদু মতমদুদা বোর্নো ষ্টেটকী কেপিটেল মাইদুগুরিদগী কিলোমিটর ৯০ রোম লাপ্পা লৈবা দামবোৱা গেরিসন তম্না চৎলিবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অনীশুবা মিলিটরি ছোর্স অমনসু ক্রুপশিং অদুনা বোর্নো তম্না চৎলিঙৈদা জিহাদিষ্ট অমনা মহাক্কী ভেহিকলদু টেঙ্ক অমদা থোমজিন্দুনা পোকখায়খিবনি হায়খি।

'আরমর্দ ভেহিকল অদু ফীভম থীনা অকায়-অতোয় নংখি অমসুং ওপরেসনদু তপথখি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## মেসিদোনিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা ঈরাং থোকপদগী মীওই ১০০ রোম শোকখ্রে

স্কোপিয়ে, এপ্রিল ২৮:

অনৌবা স্পিকর অমা খনবগী মতাংদা খোয়রাং খোয়শাওরবা নেসনেলিষ্ট প্রোটেষ্টরশিংনা মেসিদোনিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা থোমজিনবদগী থোক্লকখিবা ঈরাংদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

মমায় খুমজিনবা মীওই কাঙবু অমা য়াওনা দেমোন্সট্রেটর দজন কয়ানা পুলিসকী কোর্দন অমা থুগায়দুনা পার্লিয়ামেন্টতা চঙশিনখিবগা লোয়ননা স্কোপিয়েদা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা মথোং মরম খঙদবা চরাংনবা ফীভম অমা লাকখি। দেমোন্সট্রেটরশিংদুনা মেসিদোনিয়াগী ফিরালশিং হাইখি, লাউ-খোংখি অমসুং নেসনল এনঠেম শকখি।

থৌদোক থোকফমগী ফুটেজনা পার্লিয়ামেন্টরি প্রেস রুমদা অমগা অমগা খুৎ থোক্লবা হৌরকখিবগা লোয়ননা চৌকি কয়া লংনবগী শক্তমশিং উৎখি। ওপোজিসন সোসল দেমোক্রেটশিং (এস দি এস এম) গী লীদর জোরান জাইভপু মমায় অমসুং ফুরিটতা ঈ চেন্থবা উখি।

ইরাই নুমিৎতা ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা এম পিশিং অমসুং পুলিস ওফিসরশিং য়াওনা মীওই ১০২ থৌদোক্তুদা শোকপদগী সিটিগী হোস্পিটালশিংদা লায়কন্নখ্রে হায়খি।

## লে পেননা ভোটরশিংদা ফ্রান্সপু শৌগৎপদা নৎত্রগা লৈবাকসিগী মায়োক্তা ভোট পীগদবনি হায়খ্রে



পেরিস, এপ্রিল ২৮: ফ্রান্সকী ফার রাইট প্রসিদেন্সিয়ল কেন্দিদেট মরিন লে পেননা শগোলশেল নুমিৎতা মহাক্কী গ্লোবেলিষ্ট রাইভেল ইমান্যুঅল মেক্রনদা অকনবা এটেক অমা চথরদুনা হায়খ্রে মদুদি ভোটরশিংনা ফান্সকীদমক্তা নৎত্রগা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা ভোট পীগদবনি।

ফ্রান্সকী তুংদা ওইরক্কদৌরিবা ফীভমগা মরী লৈননা লৈরিবা কেন্দিদেটশিংগী অমগা অমগা চাউনা খেন্নবা মিৎয়েংশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা ভোটরশিংনা মে ৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্সিয়ল মীখলগী রন-ওফতা ভোট পীগদবনি। মীখল অসিদা মশাগী চহী ৩৯ শুরবা হান্নগী বেঙ্কর মেক্রননা ফ্রী ট্রেদ অমসুং ঈ য়ু শৌগৎলি অমসুং লে পেননা ফ্রান্সকী বোর্দরশিং থিংজিনবা অমসুং য়ুরো থাদোকপা পামই।

'মেক্রননা পাল্লিবা লৈবাক্তি ফ্রান্স ওইররোই, মসি শিজিন্নবা য়ারোইদবা স্পেস অমনি, কঞ্জ্যুমরশিং অমসুং প্রদ্যুসরশিংদমক লৈবা লৈন-য়োন্নবগী কা অমা পাঞ্চক ওইরগনি' হায়না লে পেননা রাইটিরিং ষ্ট্রোংহোল্ড ওইরিবা রিভ্যেরা সিটি নীসতা মহাক্কী সপোর্টর ৪,০০০ রোমদা হায়খি।

'ইলেক্সন অসি ফ্রান্সপু শৌগৎকদ্রা নৎত্রগা লৈবাক অসিগী মায়োক্তা লৈগদ্রা হায়বগী রেফরেন্দম অমনি। ঐহাক্না নখোয়দা ফ্রান্স ওইনা খন্নবা হায়রি' হায়না মহাক্না তিল্লিবশিংদুদা হায়খি।

## অসিঅননা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিংগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্কদৌরি




মনিলা, এপ্রিল ২৮ :

কোরিয়ন পেনিন্সুলাগী মুক্লবগী ফীভমদা নোর্থ কোরিয়ানা লৈবাক অসিবু সপোর্ট তৌনবা আপিল তৌবা লৈরবসু সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র খুৎলায় চাংয়েংশিং অমসুং বলিষ্টিক মিসাইল লোঞ্চশিংগা মরী লৈননা নুংনাংবা ফোঙদোক্লগনি। মসি ঙসি রিলিজ তৌগদবা দ্রাফট ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্ননি।

তাংনা থাংলকপা খোঙথাং অমদা নোর্থ কোরিয়াগী ফোরন মিনিষ্টর রি য়োং-হোনা অসিঅন রিজনেল ব্লোক্কী সেক্রেটরি জেনরেলদা লেটর অমা ইদুনা 'ন্যুক্লিয়র হোলোকোষ্ট' অমা থোকহন্দনবগীদমক্তা হৌজিক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা মুক্লবগী ফীভম অমা লৈরিবদুদা পিয়োংয়াংবু শৌগৎনবা আপিল তৌখি।

তৌইগুম্বসুং ঙসি মনিলাদা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসনশিংগী ফোরন মিনিষ্টরশিংনা নোর্থ কোরিয়াবু হৌখিবা চহীদা এটোমিক খুৎলায় চাংয়েং অনী অমসুং মতুং তাবদা বলিষ্টিক মিসাইল কয়া চাংয়েং তৌখিবগীদমক্তা ক্রিটিসাইজ তৌগদৌরি হায়বসি এ এফ পিনা ফংখিবা মখোয়গী ষ্টেটমেন্টকী দ্রাফট অমদগী খঙবা ঙমখ্রে।

'কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা টেন্সন হেনগৎহনবগীদমক্তা অসিঅননা য়াম্না কন্না নুংনাংবা ফোঙদোক্লি' হায়না দ্রাফট ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। মদু ঙসি মিনিষ্টরশিংগী মীফম লোইরবা মতুংদা রিলিজ তৌগনি। 'অসিঅননা কোরিয়ন পেনিন্সলাদা তং তাবগী ফীভম লৈত্রিবসিনা লমদম অসিদা অমসুং অতৈ মফমশিংদা চাউনা চৈথেং লাক্কনি হায়বসি খঙই।'

দ্রাফট অদুগী মতুং ইন্না, মিনিষ্টরশিংনা নোর্থ কোরিয়াদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিং অমসুং ইন্টরনেসনল লোশিং মপুং ফানা ইন্নবা কন্না তকশিনগনি।




## EMPLOYMENT NEWS

### UPSC Recruitment – Union Public Service Commission – Combined Medical Services Examination, 2017 (710 Vacancies) – Last Date 19 May 2017

**UPSC Recruitment 2017**
Union Public Service Commission (UPSC) invites Application for the post of Combined Medical Services Examination, 2017 (710 Vacancies). Apply Online before 19 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : 09/2017-CMS
**UPSC Job Details :**
Post Name : Combined Medical Services Examination, 2017
No of Vacancy : 710 Posts
**Eligible Criteria for UPSC Recruitment :**
Educational Qualification : Candidate should have passed the written and practical parts of the final M.B.B.S. Examination.
Nationality : Indian
Age Limit : Maximum age limit is 32 years as on 01.08.2017
Age Relaxation : For OBC Candidates 3 years, For SC/ST Candidates 5 years & For PH Candidates 10 years

**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Recruitment Test & Interview.
**Application Fee :** The candidates are required to pay a fee of Rs. 200/- either by depositing the money in any branch of SBI by cash, or by using net banking facility of the SBI or by using visa/master credit/debit card. SC/ST/PH/Women candidates who are exempted from payment of fee.
**How to Apply UPSC Vacancy :** Interested Candidates may apply online through UPSC website www.upsconline.nic.in on or before 19.05.2017 till 06.00 PM thereafter website link will be disabled.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 19.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.upsc.gov.in/sites/default/files/CMS_17_Notice_English.pdf
***Apply Online :*** *https://upsconline.nic.in/mainmenu2.php*

### Nausena Bharti – Indian Navy Recruitment – Sailor MR (Musician) Vacancies – Last Date 19 May 2017

**Nausena Bharti – Indian Navy Recruitment 2017**
Indian Navy invites application from unmarried male candidates for Sailor vacancies for MR (Musician) – 02/2017 Batch. Apply Online before 19 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

**Indian Navy Job Details :**
Post Name : Sailor for MR (Musician) – 02/2017 Batch
No. of Vacancies : Not Specified
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2000/-
**Eligibility Criteria for Nausena Bharti Recruitment:**
Educational Qualification : Candidates should have passed the 10th standard (Matriculation examination).
Nationality : Indian
Age Limit : Born between 01 Oct 1996 to 30 Sep 2000 (Both dates inclusive).
**Job Location : All India**
**Selection Process:** Selection will be based on Preliminary selection, PFT and Medical Examination.
**How to Apply Indian Navy Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with relevant documents in an envelope should be super scribed with "The type of entry, choice of centre and percentage of marks in 10th" through ordinary post to the Commanding Officer, (for Director of Music) INS Kunjali, Colaba, Mumbai – 400 005 on or before 19.05.2017 & 29.05.2017 for remote areas.
**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Application form : 19.05.2017
Last Date for Submission of Application form (remote areas) : 29.05.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.joinindiannavy.gov.in/files/event_attachments/davp10701-11-0008-1718_MR_Musician_02-2017_Batch.pdf
**Download Application form :** http://www.joinindiannavy.gov.in/files/event_attachments/Application_Form_MRMUS_02-2017_batch.pdf

### IOCL Recruitment – Indian Oil Corporation Limited – 74 Jr. Engineering Assistant, Jr. Materials Assistant & Junior Quality Control Analyst Vacancy – Last Date 19 May 2017

**IOCL Recruitment 2017**
Indian Oil Corporation Limited (IOCL) invites Application for the post of 74 Jr. Engineering Assistant, Jr. Materials Assistant & Junior Quality Control Analyst for its Haldia Refinery. Apply Online before 19 May 2017. Qualification/eligibility conditions, how to apply & other rules are given below…

Advt. No. : PH/01/2017
**IOCL Job Details :**
Post Name : Jr. Engineering Assistant
No of Vacancy : 66 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-
Post Name : Jr. Materials Assistant
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-
Post Name : Junior Quality Control Analyst
No of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 11900-32000/-
**Eligible Criteria for IOCL Recruitment :**
Educational Qualification :
For Jr. Engineering Assistant/Jr. Materials Assistant : 3 years full time, regular/sandwich Diploma in relevant Engg. or B.Sc (Maths, Physics, Chemistry or Industrial Chemistry) from a recognized Institute/University with minimum of 50% marks in aggregate for General & OBC candidates and 45% in case of SC/ST candidates against reserved positions.
For Junior Quality Control Analyst : B.Sc. with Physics, Chemistry & Mathematics with minimum of 50% marks.
Nationality : Indian
Age Limit : Minimum & Maximum age limit is 18 to 26 years
Age Relaxation : For SC/ST Candidates 05 years & For OBC Candidates 03 years
**Job Location : West Bengal**
**Selection Process :** Selections for engagement would be based on Written Test and a Skill/Proficiency/Physical Test.
**Application Fee :** General & OBC Candidates Have to Pay Rs.150/- through Demand Draft in favour of Indian Oil Corporation Ltd., Payable at State Bank of India, Haldia Refinery Campus Branch. (Branch Code: 7090). SC/ST candidates are exempted from payment of application fee.
**How to Apply IOCL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website https://www.iocl.com from 29.04.2017 to 19.05.2017 & Send the printout along with all supporting documents & Demand Draft with name, address, post code to The Chief Human Resource Manager, Indian Oil Corporation Limited, Haldia Refinery, P.O.: Haldia Oil Refinery, Dist.: Purba Medinipur, West Bengal, Pin Code-721 606 on or before 29.05.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 29.04.2017
Last Date for Submission of Online Application : 19.05.2017
Last Date for Submission of Printout of Online Application : 29.05.2017
**Important Links :** Detail Advertisement Link : https://www.iocl.com/download/AdvertisementHaldiaRefPHR012017.PDF
***Apply Online :*** *https://www.iocl.com/PeopleCareers/job.aspx*